# রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা ইন্টরনেসনল গোল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ইরানগী অলি দেইগা মান্নখ্রে



বুদাপেষ্ট, জুন ২৪ (এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন ফুটবোল ২০২০গী ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা গ্রুপ এফকী শান্নখিবা মেটচ অমদা পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা টিমগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা অদুনা মালেমগী ওইনা ইরানগী অলি দেইনা পাঞ্জল ১০৯ চনবগী রেকোর্দ অদুগা মান্নবা ঙমখ্রে। মেটচ অদু ফ্রান্সকা পোর্টুগালগা ২-২দা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা গ্রুপ অসিগী মেটচ অমদনা জর্মনি অমসুং হঙ্গেরিসু পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

পোর্টুগাল অমসুং ফ্রান্সকী মেটচ অদু হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টকী পুস্কাস এরেনাদা শান্নখি। পনবা য়াই, পোর্টুগাল মমাংগী য়ুরোপিয়ন ফুটবোলগী চেম্পিয়ননি। অদুগা ফ্রান্সনা ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ননি। টিম অনীগী লম্বা হৌবদগী মান্নরকখি। পুংখায় অমরোম পাঞ্জল চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং পোর্টুগালগী এটেক অমদা ফ্রান্সকী দিফেন্দরনা বোল লান্না মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা ফ্রান্সপু ১-০দা হেনখি।

অদুবু অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা ফ্রান্সকী এটেক অমদা মখোয়সু পেনাল্টি অমা ফংবদগী করিম বেঞ্জিমানা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা পোর্টুগালগা ১-১দা মান্নরগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা য়াম্না কুইদ্রিবৈ শুপ্নগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা ফ্রান্সকী অথুবা এটেক অমদা পোল পোগবানা পীরকপা বোলদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা বেঞ্জিমানা পাঞ্জল ১গা চল্লগা পোর্টুগালবু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচ মখা চথরকপা পোর্টুগালগী মখা তাবা বোল অমদা অমুক্কা হন্না ৬০শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা ফংখি। তাঞ্জা অদুসু রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মহাক্না পোর্টুগাল লৈবাক্কী শান্নরকখিবা মেটচশিংদা পূন্না পাঞ্জল ১০৯ শুদুনা মমাংদা ইরানগী অলি দেইনা থমখিবা অদুগা চপ মান্নবা স্কোর চনবা ঙমখিবনি। অলিনা মহাক্কী ইন্সটাগ্রামদা রোনাল্ডোবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মেটচ অদুগী লেমহৌরিবা পুংখায় অমরোমগী মতমদা নাকল অনীমক্না অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী ২-২দা দ্রো চৎখ্রে। পোর্টুগাল গ্রুপ এফকী অহুমশুবা পোজিসন তাহৌরবসু লৈবাক ৪ খনগৎলকপদা য়াওখিবদগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। ফ্রান্সনা গ্রুপ অদুগী মকোক ওইখি।

চপ মান্নবা মতমদা জর্মনিগী সিটি ম্যুনিকতা শান্নখিবা হঙ্গেরি অমসুং জর্মনিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা ১১শুবা মিনটতা হঙ্গেরিগী অদাম জ লাইনা একাউন্ট হাংদোকখি। জর্মনি অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা গোল হন্দোকপা ঙমখিদে। ৬৬শুবা মিনটকাই হবর্টসনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মিনট ২ লৈরগা হঙ্গেরিগী এন্দ্রাস স্কাফরনা পাঞ্জল চল্লগা মাঙজিল থাখিবা অদু শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা জর্মনিগী গোরেস্কানা হন্দোক্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ ষ্টেজ লোইখিবদগী থা অসিগী ২৬তগী য়ুরো ২০২০গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজগী মেটচ নিপান য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা সিটি ৮দা শান্নবা হৌরগনি।

**Round of 16 schedule**

**June 26, Saturday**
Wales vs Denmark (9:30 pm, Amsterdam)
**June 27, Sunday (IST)**
Italy vs Austria (12:30 am, London)
Netherlands vs Czech Republic (9:30 pm, Budapest)
**June 28, Monday (IST)**
Belgium vs Portugal (12:30 am, Seville)
Croatia vs Spain (9:30 pm, Copenhagen)
**June 29, Tuesday (IST)**
France vs Switzerland (12:30 am, Bucharest)
England vs Germany (9:30 pm, London)
**June 30, Wednesday (IST)**
Sweden vs Ukraine (12:30 am, Glasgow)

# ব্রাজিলনা কলম্বীয়া ২-১দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ বিদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখ্রে



ব্রাসিলা, জুন ২৪ (এজেন্সী):
ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ব্রাজিলনা কলম্বীয়াবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অসিদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখ্রে। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইক্বাদোর অমসুং পেরু পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ব্রাজিলনা য়ূম্ন ওইরগা পাঙথোক্লিবা কোপা অমেরিকা কপ অসিগী ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবা মতমদা ব্রাসিলাদা লৈবা ওলিম্পিক নিলটোন সান্তোশ ষ্টেদিয়মদা ব্রাজিল অমসুং কলম্বীয়া লম্বা তৌনখিবনি। মমাংদা ব্রাজিলনা শান্নখিবা মেটচ অনীমক মায় পাক্লবা মতুং ঙসিগী মেটচ অদুসু থোইবা ঙমদুনা গ্রুপ বিগী ওইনা পোইন্ট ৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক ওইখিবদা নৎতনা ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজ য়ৌখিবনি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা কলম্বীয়ানা অথুবা মতমদা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী জোন ক্বাদ্রাদোনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমা টিমমেট লুই দিয়াজনা পাঞ্জল চন্দুনা ব্রাজিলবু কলম্বীয়ানা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। কলম্বীয়াগী শান্নরোয়শিং য়াম্না চেকশিন্না শান্নরকপা মরম্না মখোয়না পাঞ্জল অমা চনশিনখিবা মতুং ব্রাজিলগী শান্নরোয়শিংগী এটেক মায় পাক-হন্দনা অহানবা হাফ অদু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা পুংখায় হেল্লকপা ফাওবদা ব্রাজিল পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি। মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী এটেক অমগী খূদোংচাবা লৌরদুনা রেনান লোদিনা ইন্থোরকখিবা বোল অমা টিমমেট রোবর্টো ফর্মিনোনা চল্লগা ইক্বেলাইজর অদু লৈহনখি। মেটচ অদুগী মখা তানা শান্নরকপা ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ১০শুবা মিনটতা ব্রাজিলনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। নেমারনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট কাসেমিরোনা পাঞ্জল চন্দুনা ব্রাজিলবু মায় পাকহনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুগী মাংওইননা নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৩০দা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইক্বাদোর অমসুং পেরু ২-২দা দ্রো চৎখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা ২৩শুবা মিনটতা ইক্বাদোরগী মায়কৈদগী রেনাটো টাপিয়ানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পেরুগী শান্নরোয়শিংসু ইক্বাদোরনা চনশিল্লকপা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লুবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপা অদু অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা অরেম্বা তাহন্দুনা ইক্বাদোরগী দেমিয়ন দিয়াজনা পীরকপা বোলদা এদ্বার প্রেসিয়াদোনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা পেরু ০-২দা শোথরগা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা পেরুগী খৃষ্টিয়ন কুয়েভানা পীরকপা বোলদা জিয়ান লুকা লপাদুলানা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা হৌখি। মদুগী ঈথিলনা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদা চাওনা মতেং পীদুনা অথুবা মতমদা ইক্বেলাইজর অদু ফংহনবা ঙমখি। শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা পেরুগী পাঞ্জল চনখিবা জিয়ান লুকা লপাদুলানা খায়রকপা বোল অমা এন্দ্রি কারিলোনা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু ২-২দা দ্রো চৎখি।

# ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক টিমদা য়াইফ থৌনী পীখ্রে

মুম্বাই, জুন ২৪ (এজেন্সী):
রিলায়ন্স ইন্দষ্ট্রিগী দিরেক্টর অমদি রিলায়ন্স ফাউন্দেসনগী ফাউন্দর চ্যেরপর্সন ওইরিবী নিতা অম্বানিনা ঙসি রিলায়ন্স ইন্দষ্ট্রিগী ৪৪রকশুবা চহীগী জেনরেল মীফমদা জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পূম্নমকপু মায় পাকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌনীখ্রে।

জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা চথগদৌরিবা শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্ভে অসি মমাংগী চহীদা পাঙথোক্লমগদবনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মালেম শীনবা থুংনা পীরকখিবা চৈথেং অদুনা মরম ওইরগা চহী ১ চোন্থরগা পাঙথো-ক্লনবা হোৎনরিবনি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বট্রানা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী এথলিটশিং অসি ১৯০ রোম শুরবা য়াই হায়রি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা এথলিট ১০২দি ক্বালিফাই ওইদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবগী খূদোংচাবা ফংলবনি।

পনবা য়াই, নিতা অম্বানি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বর ওইবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপীনি। মহাক্না মেম্বর অমা ওইনা ওলিম্পিক চেনেলগী থবক থৌরমশিংসু য়েংশিনগদৌরি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, রিলায়ন্সনা ক্রিকেট অমসুং ফুটবোলদা পীরিবা মীৎয়েং অসিখক্তা নৎতনা এথলেটিক্স, আর্চরি, বাস্কেটবোল, বেদমিন্টন অমসুং ৱেথলিফটিংদা অকনবা মীৎয়েং চঙশিল্লগনি হায়রি। লৈবাক শীনবা থুংনা গ্রাসরুটকী লেভেলদা অঙাং মিলিয়ন ২১.৫ য়ৌনবা পান্দম থল্লি।

# ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীদুনা ন্যু জিলেন্দনা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড টেষ্ট ক্রিকেটকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখ্রে




সাউথমটন, জুন ২৪ (এজেন্সী):
মালেমগী ক্রিকেট শান্নবা মকোক থোংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা তোঙানবা সেদ্যুল্ড শেমদুনা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপ হায়না মিংথোল্লবা অহানবা এদিসনগী মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নগী টাইটল অদু লৌবা ঙমখ্রে।

ইংলেন্দগী সিটি সাউথমটনদা লৈবা রোজ বাউল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৮দগী শান্নবা হৌখিবনি। মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। নোংনা চৈথেং পীদুনা মতম চানা হৌবা ঙমখিদবা মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিং ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিংগী এটেকতা ফজবা কা-হেন্না ঙমখিদে।

কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং ৫শুবা বেটসমেন অজিনক্যা রাহনেনা মথংশিংনা রন ৪৪ অমসুং ৪৯ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মাগী মায়কৈদগী রন ৩৪ অমসুং মহাক্কী পার্টনর সুবমান গিলনা রন ২৮ লৌরমখি। ৮শুবা বেটসমেন ওইনা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী স্পিন্নর রবিচন্দ্রন অস্বিননা রন ২২ লৌরম্বা অদু শীংথাবা য়াই। ন্যু জিলেন্দগী বোলর জেনিসননা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৫ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু রন ২১৭তা তেনশিনখি।

মদুগী পাউখুমদা ন্যু জিলেন্দনা মখোয়গী ইন্নিংস শান্নরকপদা ইন্দিয়াদগী মখোয়না রন ৩২ হেল্লগা অহানবা ইন্নিংস লোইশিনখি। টিম অদুগী ওপনর কোনৱেনা রন ৫৪ লৌরম্বা অমসুং কেপ্টেন ৱিলিয়মসননা রন ৪৯ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মহমদ সামিনা বেটসমেন ৪ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। রন ৩২ শোথরগা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস রন ১৭০ খক লৌরগা লোইশিনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৬শুবা বেটসমেন রিসব পন্টনা রন ৪১ লৌরম্বা অদুগা ওপনর রোহিট শর্ম্মানা রন ৩০ লৌরম্বা অদু নৎতনা অতৈ বেটসমেন অমত্তা রন ২০ য়ৌবা ঙমখিদে।

মায় পাক্লনবা রন ১৩৯গী টার্গেট অদু ন্যু জিলেন্দনা বেটসমেন ২ খক আউট ওইরগা রন ১৪০ য়ৌখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৮দা থোইখি। ৱিলিয়মসন অমসুং টেলর আউট ওইদনা রন ৫২ অমসুং ৪৭ লৌখি।

# সানিয়া অমসুং মাটেক ইষ্টবোর্ন টেন্নিসতা অহানবা রাউন্দ মায়থীহৌরে

ইষ্টবোর্ন, জুন ২৪ (এজেন্সী):
লন্দনগী ইষ্টবোর্ন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী নুপীগী দবলস শান্নরোয় সানিয়া মির্জা অমসুং য়ু এস এগী পার্টনর বেথানি মাটেক সেন্দ দবলসকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা সানিয়া মির্জা অমসুং বেথানি মাটেক অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী খৃষ্টিনা মেকহেল অমসুং সব্রিনা সান্তামারিয়াগী মখূৎতা ৩-৬, ৪-৬তা মায়থীহৌখি। সানিয়া মাটেককা লোয়নননা থা অসিগী ২৮দগী হৌগদৌরিবা ৱিম্বলদনদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা ইষ্টোনিয়াগী কোন্টাভেট অমসুং ফ্রান্সকী কেমিল জিওর্জিগা সেমীফাইনেল লম্বা তৌনরগনি। কোন্টাভেটনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী ভি গোলুবিকপু ২-৬, ৭-৬ (৭-২), ৭-৫দা থোইরম্বনি। মহাক্না সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা ফ্রান্সকী কেমিল জিওর্জিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী বেলারুসকী এরিনা সভালেনকাবু ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৭-৬ (৭-৫), ০-৬, ৬-৪দা থোইবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলশিংদা লাটভিয়াগী জেলিনা ওষ্টাপেনকো অমসুং রসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনা অনী লম্বা তৌনগনি। অদুগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল অমদনা কজাখষ্টানগী ঈ রাইবাকিনা অমসুং লাটভিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় এ সেবাষ্টোভাগা থেংনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইটালিগী এল সোনিগো সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# অঙ্গদবির অমসুং অহমদ খান ৱর্ল্ড কপ শুটিং য়াওররোই, অশ্বরি প্রতাপ ৭শুবা পোজিসন তাহৌরে



ওসিজেক, জুন ২৪ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী নুপাগী স্কিট শুটর অঙ্গদবির সিংহ বাজুৱা অমসুং মৈরাজ অহমদ খান ঙসি অথেংবদগী ক্রোএসিয়াদা লৈরিবা ওসিজেক সিটিদা হৌগদৌরিবা আই এস এস এফ (ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াররোই হায়না নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর অশ্বরি প্রতাপ সিংহ টোমার নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ৭শুবা পোজিসন তাহৌরে।

অঙ্গদবির অমসুং অহমদ খান হৌজিক-হৌজিক ইটালিদা ট্রেনিং চথুরিবা মরম্না ক্রোএসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ অদুদা শরুক য়াররোই হায়রকপনি। ওসিজেকতা পাঙথো-ক্লিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ অসিগী ওইনা ঙসি অথেংবদা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলগী ইভেন্টতা শরুক য়াখিবা অশ্বরিয়া প্রতাপ সিংহ ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৬২৮ কাপ্পুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকখিবা অদু পোইন্ট ১৪৩.৯ খক কাপখিবদগী ৭শুবা পোজিসনা তাহৌবনি। ইন্দিয়াগী শুটরশিংনা মফম অসিদা ওলিম্পিককী ক্বালিফাই ওইরবা মতুং কম্পিটিসন শরুক য়ারকপনি।

# অতানু অমসুং দিপিকা মিক্স ইভেন্টতা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

পেরিস, জুন ২৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা আর্চরিগী মতৈ-মনাও অতানু দাস অমসুং দিপিকা কুমারীনা ঙসি ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোকপা আর্চরি ৱর্ল্ড কপকী অহুমশুবা ষ্টেজদা স্পেনবু মায়থীবা পীদুনা মিক্স প্যেরগী ফাইনেল য়ৌবদগী মেদল ১দি শোয়দনা ফংলগনি।

মখোয় অনীনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা আর্চরি ইভেন্টকী ওইনা ইন্দিয়াগী মেদল লৌগনি হায়না কন্না পানরিবনি। নোংমাইজিং নুমীৎতা নেদরলেন্দসকা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরি।

দিপিকানা ৱর্ল্ড নম্বর ৩ ওইবতা নৎতনা চথুরিবা আর্চরি ৱর্ল্ড কপকী অহুমশুবা ষ্টেজ অদুগী ইন্দিভি-জ্যুএল ইভেন্টতসু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা মেদলগী শেম শারি। ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা স্পেনগা লম্বা তৌনখিবা সেমীফাইনেল অদুদা হৌরকপদা খরা শোথরম্বদগী ফজবা হেনগৎলক্তুনা রাউন্দ ৮গী মনুংদা রাউন্দ ৫-৩দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মখোয় অনী মিক্স টিমদা অহানবা ওইনা শরুক য়ামিন্নদুনা ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ অমগী ফাইনেল য়ৌবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৮লক ওইবা ঙম্লবী দিপিকানা মিক্স প্যের ইভেন্টতা সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংবদা ঙাইরি, গোল্ড মেদল ফংগদবা ৱাৎলি। মখোয় অনীনা থাক ৱাংনা লৈবা গ্রেট বৃটেন অমসুং য়ু এস এবু মমাংগী রাউন্দশিংদা মায়থীবা পীরম্বনি।

# এ টি কে মোহন বগাননা য়ুরো ২০২০ শান্নরম্বা ফিনলেন্দগী জোনি কোকো সাইন তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুন ২৪ (এজেন্সী):
হৌজিক-হৌজিক য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা চথুরিবা য়ুরো ২০২০ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ষ্টেজদা শরুক য়ারম্বদগী নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিদ্রবা ফিনলেন্দগী শান্নরোয় জোনি কোকো ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব এ টি কে মোহন বগাননা চহী ২গী ওইবা সাইন তৌনদুনা মথংগী আই এস এলদা ইন্দিয়াদা শান্নরগনি।

ফিনলেন্দগী টিম য়ুরো ২০২০গী গ্রুপ বিদা দেনমার্ক, বেলজিয়ম অমসুং রসিয়াগা পূন্না শান্নমিন্নখিবনি। গ্রুপ অসিদগী বেলজিয়মনা মকোক ওইরগা দেনমার্কনা অনীশুবা তারগা ফিনলেন্দ অমসুং রসিয়া নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিদবনি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা কোকো মিদফিল্ডর অমা ওইনা ফিনলেন্দগী মায়কৈদগী শান্নরকপনি। মহাক্না লৈবাক অদুগী চহী ২১ মখাগী টিম কেপ্টেন ওইদুনা শান্নবা ঙমখি। কুমজা ২০০৮দা ইন্টর টুর্কু ক্লবকী মায়কৈদগী শান্নদুনা ফিনিশ লীগ কপ টাইটল লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৩দা এফ সী লাহটিগী মায়কৈদগী শান্নদুনা ফিনিশ লীগ টাইটল অমুক্কসু লৌবা ঙমখি। কোকোনা ফিনলেন্দগী নেসনল টিমগী মেটচ ২৮ শরুক য়াবা ঙমখ্রে। মহাক চহী অসিগী নবেম্বর থাদগী ইন্দিয়াদা হৌগদৌরিবা আই এস এলগী ৮শুবা এদিসনদা শান্নবা হৌরগনি।

# ৱিম্বলদন টেন্নিস চেম্পিয়নশিপ কোভিদ-১৯না লেপহল্লুরবা সেদ্যুল্ড ময়াম জুন ২৮দগী ভাবোক য়াওনা পাঙথোকপা হৌরগনি



লন্দন, জুন ২৪ (এজেন্সী):
টেন্নিস মশান্নগী গ্রাসকোর্টকী খ্বাইদগী থাকৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট হৌখিবা চহীদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা য়াদনা শটদাউন তৌরগা লাকখিবা অদু থা অসিগী ২৮দগী হৌগদৌরিবা অসিদদি ভাবোকশিং মীৎয়েং তাহল্লগনি হায়না ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।


সাউথ লন্দনদা লৈবা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট পাঙথোকফম ওইরিবা কোর্টশিংগী নাপীশিং অদু হৌখিবা চহীদা শান্নদবনিনা মতু নাম্মা তেক্তুনা লৈরি। কোভিদ-১৯গী অথিংবনা মমাংঙৈদা লাইচৎ অসি লৈত্রিঙৈদা ভাবোকশিংগী মশীং অদুম্মক য়ৌদ্রবসু চাদা ৫০দি লৈঙাক্না অয়াবা পীরবা মতুং ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা মীৎয়েং তাহনগনি হায়রি।

মমাংদা টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রবা অমদি স্পোর্টসকী মমিং লৈরবা চেন্নেল ঈ এস পি এনগী এনালিষ্ট ওইরিবা য়ু এস এ মচা জোন মেকনরোনা ফোঙদোরকপদা হৌখিবা চহীদা ৱিম্বলদন পাঙথোকখিদবা অদু টেন্নিস মশান্নদা চাওনা মাঙজবা অমনি। হন্দক চহীদা শান্নবা য়ারগনি হায়বা অমদি ভাবোকশিংসু মীৎয়েং তাহনবা ফংগদৌরিবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

জুলাই ১১দা শান্নগদবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল অমসুং জুলাই ১০দা শান্নগদবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল অদুগী শান্নফম ওইগদৌরিবা সেন্টর কোর্টতা ষ্টেদিয়ম অদুগী ফুল কেপাসিটি ওইরিবা ভাবোক মশীং ১৫,০০০দি মীৎয়েং তাহনগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা, টিকেট পায়বা ভাবোকশিং কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকপগী ইভিদেন্স য়াওগদবনি নৎত্রগা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইবগী রিজল্টসু লোয়নগদবনি নৎত্রগনা ভাইরস অদুনা নারম্বদগী মপূং ফানা ফরে হায়বা চেরোলসু য়াওরক্কদবনি হায়রি। ফল্লবা মতমদা মাস্ক লৌথোকপা য়াহনগদৌরি। অদুগা হৌগৎলকপা মতমদা মাস্ক উপকদবনি হায়রি।

**HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE**



**PUZZLE NO. 150**

**Lasker, Edward - Thomas, George Alan**
**London casual London, 1912.10.29**

| | |
|---|---|
| 1.d4 e6 | 2.Nf3 f5 |
| 3.Nc3 Nf6 | 4.Bg5 Be7 |
| 5.Bxf6 Bxf6 | 6.e4 fxe4 |
| 7.Nxe4 b6 | 8.Ne5 O-O |
| 9.Bd3 Bb7 | 10.Qh5... |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 149 Ans. :**

38.Qxe5 Qe3+ 39.Kh1 Qe1+ 40.Ng1 Qxg1+ 41.Kxg 1Rf1#
38. ...Qe3+ 39.Kf1 Rxf3+ 40.gxf 3Bh3#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com